# সী দব্লিয়ু জি ২০২২ : ৱেথলিফটর বিদ্যারানী সোরোখাইবমনা সিলভর, মিজোরামগী জেরেমি লালরিননুংঙানা গোল্ড লৌখ্রে




বর্মিংহম, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

বর্মিংহমদা চথরিবা ২২ শুবা কমনৱেল্থ গেমস (সী দব্লিয়ু জি) কী ঙসি হুম্মি চনবা নুমিৎতা ষ্টেটকী ৱেথলিফটর বিদ্যারানী সোরোখাইবমনা ৱেথলিফটিং মশান্নগী নুপীগী কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা সিলভর মেদল অদুগা মিজোরামগী জেরেমি লালরিননুংঙানা নুপাগী কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ২, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৫ ফংদুনা মেদল টেলিগী ৬শুবা মফমদা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নৌনা থোক্লকপা ৱেথলিফটিংগী ষ্টার বিদ্যারানীনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫৫ কাঙলূপকী ইভেন্টতা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১৬ থাঙ্গৎতুনা কমনৱেল্থ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখি।

মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৮৬ পূন্না কেজি ২০২ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

জেরেমি লালরিননুংঙানা নুপাগী কেজি ৬৭কী কাঙলূপ্তা পূন্না কেজি ৩০০ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি। মহাক্না ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১৬০ অমসুং স্নেটচতা কেজি ১৪০ থাঙ্গৎখিবনি।

অমরোমদা, বোক্সিং মশান্নদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নিখট জারিননা মহাক্কী লম্বা হেলেনা ইস্মেল বগাওবু মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

হোক্কী মশান্নগী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা মখোয়গী অনীশুবা মেটচতা ৱেলসপু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমসু অহানবা মেটচতা ঘানাবু লাকচনা ১১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টেবল টেন্নিস মশান্নদা অচন্তা শরথ কমলনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী নুপা টিমনা বর্বাদোস, সিঙ্গাপোর অমদি নোর্দন আইরলেন্দবু চপ মান্নবা ৩-০ মার্জিনদা গ্রুপ ষ্টেজদা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

নুপী ক্রিকেটতা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা পাকিস্তানবু ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

লোন বোল মশান্নদসু ইন্দিয়াগী নুপী টিম সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

| Country | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|
| Australia | 17 | 9 | 14 | 40 |
| England | 9 | 16 | 5 | 30 |
| New Zealand | 7 | 4 | 2 | 13 |
| Canada | 3 | 4 | 8 | 15 |
| Scotland | 2 | 6 | 7 | 15 |
| India | 2 | 2 | 1 | 5 |
| Malaysia | 2 | 0 | 1 | 3 |
| Nigeria | 2 | 0 | 1 | 3 |
| South Africa | 2 | 0 | 0 | 2 |
| Wales | 1 | 2 | 3 | 6 |
| Bermuda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Trinidad and Tobago | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Uganda | 1 | 0 | 0 | 1 |
| Kenya | 0 | 1 | 1 | 2 |
| Northern Ireland | 0 | 1 | 1 | 2 |
| Mauritius | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Papua New Guinea | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Samoa | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Singapore | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Tanzania | 0 | 1 | 0 | 1 |
| Cyprus | 0 | 0 | 2 | 2 |
| Namibia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| Sri Lanka | 0 | 0 | 1 | 1 |

# মেদল ফংলকখ্রবা ক্লাইম্বরশিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

অসাম স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিএসন অমদি অসাম মাউন্টেনিয়রিং এসোসিএসন অনীনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা গুৱাহাটিগী ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ওন্ট্রপ্রেন্যুশিপ কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২২দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোকখিবা আই এম এফ নোর্থ ইষ্ট জোনেল স্পোর্টস ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনদা মেদল ফংলকখ্রবা ষ্টেটকী ক্লাইম্বরশিং অমদি টিম ওফিসলশিং ঙসি মণিপুর স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিএসননা শীন্দুনা মিনুথোংদা লৈবা এম এম টি এ ওফিস কমপ্লেক্সতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মেদল ফংলকখ্রবা ক্লাইম্বরশিং অদুদি সগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক্তগী ঐচ বিধি অমদি সুমতিগী মচানুপী হিজম মেরিনা চনু, ইরম সিফাই ৱাংমা অতাপখোং মনিং লৈকাইদগী ৱাইশ্যাম অমদি ইবেমচাগী মচানুপী যুম্লেম্বম পুস্পা চনু, ফর্ষ্ট এম আর গেটতগী থম্বালতোনগী মচানুপী চিতেশ্বরী রাজপুট, ইতম নুঙ্গোইদগী টি ঐচ মঙ্গি অমদি খম্বীগী মচানুপা থোকচোম বোইনাও, মিনুথোংকবো লৈকাইদগী নোংথাং যুম্নাম অমদি ইরোম লেম্বীগী মচানুপা নোংদম্বা যুম্নাম অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি ভিলেজদগী এম দি কোচুং মরিং অমদি লৈমুই মরিংগী মচানুপা মেদরসং মেনাইশিম মরিংনি।

ষ্টেট টিম অসি মাস্কাগী ট্রেজরর অয়েকপম মনিতোম্বনা টিম মেনেজর অদুগা নিংথৌজম বিদ্যপতিনা টিম কোচ ওইনা শরুক য়াখিবনি।

ওকপগী থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী জি অনিতানা অথোইবা মীথুংলেন অমদি মাস্কাগী প্রসিদেন্ট কেরোমিও মৈতৈনা থৌরম মপূ ওইদুনা ক্লাইম্বরশিংদা সর্টিফিকেট অমদি অচম্বা খূদোল পীদুনা ইকাই খুম্নখি।

ক্লাইম্বর ৬মক উত্তর কাশিদা ওগষ্ট ১২দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল ক্লাইম্বিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি। ষ্টেট ক্লাইম্বিং টিম ওগষ্ট ৯দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

অমরোমদা, হিজম মেরিনানা চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড মেদল ৩ ফংলকপবু য়েংখোম লৈরক দিভলপমেন্ট ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারকপদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজাল পীরক্লি।

এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট

# য়ু সী সীনা ৱিকেট ১দা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

উরিপোক ক্রিকেট ক্লব (য়ু সী সী)না সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজমৈবু ৱিকেট ১দা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

এস এস য়ুনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা য়ু সী সীনা ওভর ২১.৫দা ৱিকেট ৯ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা শীংজমৈ টিমবু ৱিকেট ১দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ু সী সীগী কোন্সম গুলসননা অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা বোল ৪৭তা আউট ওইদনা রন ৩৩ লৌদুনা বেটসমেনগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীখিবগা লোয়ননা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। মহাক্না অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৪ লংবদা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

এস এস য়ুগী চুংখাম গুগুনা ওভর ৫দা ৱিকেট ৩, সৌগ্রাকপম দোগ্লাসনা ওভর ৫দা ৱিকেট ২ লৌদুনা বোলরগী খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা শান্নরোয়শিং ওইখি।

# কিয়াম দিনেশকুমারনা সিনিয়র মিষ্টর থৌবালগী টাইটল লৌখ্রে





ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা বোদি বিল্ডির্স এসোসিএসন ওফ থৌবালনা শীন্দুনা ঙসি খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈবা সঙ্গেরিটন হোলদা ৭শুবা মিষ্টর থৌবাল অমদি ৪শুবা মেন ফিটনেস বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা দি ফিট থৌবাল মেলা গ্রাউন্দগী কিয়াম দিনেশকুমারনা সিনিয়র মিষ্টর থৌবালগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

জিম অসিমক্কী এস রোহিট অমদি এস ঐচ বিকোদোরনা জুনিয়র মিষ্টর থৌবাল অমদি মেন ফিটনেস ফিজিককী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

সিনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কাঙলূপ্তা রোয়ল ফিটনেস একাদেমিগী থোঙাম মেক্সৱেল অমদি জোন অকোইজমনা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

জুনিয়র কাঙলূপকী ওইনা কে বি জিম থৌবাল নোঙ্গাংখোংগী সোরোখাইবম মনিমতুমনা অনীশুবা অমদি সলাই ফিটনেস ৱাংজিংগী লাইশ্রম জয়স্বামিনা ৩শুবা পোজিসন তাখি। মেন ফিটনেসকী ওইনা বি ফিট জিম হৈরাঙ্গোইথোংগী কোরিময়ুম অনিশ অমদি কে বি জিমগী ইরান্দাস তখেল্লম্বমনা অনীশুবা অমদি ৩শুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

কন্টেষ্ট অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা জিম ৯দগী লাকপা শান্নরোয় ২২না শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ককচীংগী উপ-অধক্ষ্য এম দি নজিমুদ্দিননা অথোইবা মীথুংলেন, বি বি এ টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম বিক্রমজিৎনা থৌরম মপূ অমদি এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট চিঙ্খৈঙানবা অথোকপমনা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

অহানবা এম এন সী এ য়ু-১৪ বোইজ টুর্নামেন্ট

# টি সী এম দি সী থোংজু, পি টি আর সী পাৎসোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অহানবা এম এন সী এ অন্দর-১৪ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচশিংদা টি সী এম দি সী থোংজু পার্ট-২ অমদি পি টি আর সী পাৎসোই পার্ট-৪ মায় পাকখ্রে।

পি সী সী গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা শান্নখিবা মেটচ অমদা টি সী এম দি সী থোংজুনা শেদো থাংমৈবন্দবু রন ১৪৬তা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা থোংজু টিমনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৩৪ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা থাংমৈবন্দ টিমনা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৮৮ লৌদুনা থোংজু টিমগী মখূৎতা রন ১৪৬তা মায়থীখি। মেটচ অসিদা থোংজুগী রেন উরিখিম্বমনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংখি।

অতোপ্পা পি টি আর সী গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা পি টি আর সী পাৎসোইনা ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবালবু রন ৬৪দা মায়থীবা পীখি।

পি টি আর সীনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ২৩৪ লৌবা ঙমখি অদুগা লংথবাল টিমনা ওভর ২৫দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৭০ লৌবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিদা পাৎসোইগী সলাম রিচিনা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

# লিভরপুলনা এফ এ কম্যুনিটি শিল্ড ২০২২গী ৱিন্নর ওইখ্রে



লন্দন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

ট্রেন্ট অলেকজেন্দর-অর্নোল্ড, মোহমদ সালা অমদি দাৱির্ন নুনেজকী গোলগী মতেংনা লিভরপুলনা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা এফ এ কম্যুনিটি শিল্ডগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ইংলেন্দগী লেষ্টর সিটি’স কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা লিভরপুল অমদি মেঞ্চেষ্টর সিটি অনীনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা লিভরপুলগী থিয়াগোনা শাংনা খায়রকপা বোল অমা মোহমদ সালানা নীংথিনা ফারবা মতুং অমুক খায়দোরকখিবা বোল অমগী মতেংদগী অলেকজেন্দর-অর্নোল্ডনা গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ২১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ১-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী জুলিয়ন অলভারেজনা শান্নবগী ৭০ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি।

মখা তাবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কেন্সেলোনা ফোল অমা তৌরুবদগী রেফরিনা লিভরপুলগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখিবগা লোয়ননা মোহমদ সালানা শান্নবগী ৮৩ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা লিভরপুলগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি। মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা রোবর্টসনগী হেদ্দর পাস অমগী মতেংদগী দার্ৱিন নুনেজনা গোল ওন্থোক্তুনা লিভরপুলগী মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

# মিষ্টর এসিয়াগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট চিঙ্খৈহনবা তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মালদিভসনা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ১৫দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৫৪ শুবা এসিয়ন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা জুনিয়র বোদি বিল্ডিংগী কেজি ৭৫গী কাঙলূপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবা চিঙ্খৈহনবা অথোকপমবু ঙসি হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী অমদি খাঙবোক্কী এম এল এ ওক্রম সূর্য্যকুমার অনীনা বাবুপারাদা লৈবা ওফিসল ক্বার্টরদা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এল এ অনীনা অচম্বা খূদোল পীখিবগা লোয়ননা তুংগী পূন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ওইরসনু হায়না য়াইফ থৌজালসু পীখি।

চিঙ্খৈহনবা অথোকপম থৌবাল অথোকপমদা লৈবা অথোকপম সঞ্জিভ কুমার অমসুং অথোকপম ওংবী সুভাশিনীগী মচানুপানি।

# ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):


আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা সোমসাই বট্টালিয়ননা শীন্দুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী খামাসোম ৱালেলি গ্রাউন্দদা খামাসোম ৱালেলি অমদি সিহাই খুনৌ ফুটবোল টিম অনীগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা থাংজ নুমিৎতা শান্নখ্রে। মেটচ অসিদা খামাসোমনা ৩-২দা মায় পাকখি।

অমরোমদা, মোদি বট্টালিয়ন এ আরনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী অংথি ভিলেজদা থাংজ নুমিৎতা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচ অমা শান্নখিবগা লোয়ননা অগ্নিভিরগী মতাংদা মোটিভেসনেল লেকচর পাঙথোকখ্রে।

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX, X, XI & XII
CLASS START : 10th, 17th, 24th August 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN) Morning 6:30 to 8:00 am / Evening 4 to 7:20 pm
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE™
N·S·D·C National Skill Development Corporation — Transforming the skill landscape
Recognised by Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India
An ISO 9001:2015 Certified Institute
IT & SKILL COURSES
Computer (NIELIT)
Spoken Hindi
Spoken English
AVIATION COURSES
Cabin Crew
Ground STAFF
Get trained under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
21 yrs Teaching Experience; 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur); Multiple Schools & Colleges As an English Language Trainer (Sponsored by UGC); 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal; 3 mths at IT Call Centre as a Trainer
www.kingdomeduinstitute.com 7005622203 / 8837407726
Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
HL-B/7705-24June to 21 Aug (alt.)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 531

**FM G Szamoskozi (2243) - GM B Korpa (2537)**
**ch-HUN Rapid 2022 Ajka HUN, 2022.07.17**

1.e4 Nf6 2.e5 Nd5 3.c4 Nb6 4.d4 d6 5.exd6 exd6 6.Nc3 Be7 7.Bd3 O-O 8.Nge2 Nc6 9.O-O Bf6 10.Be3 Nb4 11.a3 Nxd3 12.Qxd3 d5 13.b3 c6 14.c5 Nd7 15.b4 b6 16.b5 Bb7 17.a4 Re8 18.Nxd5 cxd5 19.c6 Bc8 20.cxd7 Qxd7 21.Rfc1 Bb7 22.Nf4 g6 23.Rc3 Rac8 24.Rac1 Rxc3 25.Rxc3 Be7 26.Qc2 Bd6 27.h3 Re4 28.Nd3 f6 29.Qd2 Qe7 30.Rc1 a5 31.Nc5 bxc5 32.dxc5 d4 33.Bxd4...

**QUESTION :**
Black to win

**Puzzle 530 Ans. :**
15. Rxh6 Opening the line from g6 to g8. gxh6 16. Qg6+ Kh8 17. Qxh6+ Kg8 18. Qg6+ Kh8 19. Bxf7 c5 20. Qh6+ Nh7 21. Qxh7# Damiano's knight mate 1-0

HL-B/7774/1

LOAN AVAILABLE
Home Loan
AUTO LOANS
LOAN AGAINST PROPERTY
BUSINESS LOANS
Personal Loan
Pension Loan
Used Vehicle Loan
Machinery Loan
L.G. FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING IRUM LAMDONG, KHANGABOK Opp. KM BLOOMING SCHOOL, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com